# নবেম্বর ১৫বু থাঙ-তাগী নুমিৎ হায়না হন্দক চহীদগী থৌরম পাঙথোক্লগনি : লৈশেম্বা সনাজাওবা



ইম্ফাল, ওক্টোবর২৪ (ঐচএনএস): থাঙ-তা চাওখৎনবগীদমক স্কুলশিংদা ওজা লৈত্রিবা অসি লৈহনবীয়ু হায়না খোঙজং চংশিল্লুবা মীওইশিংবু লৈঙাক্লা ফাজিন্দুনা জেলদা থমখি। খোঙজংলোইশিংনা জেলদগী থোরকপা নুমিৎ নবেম্বর ১৫বু থাঙ-তাগী নুমিৎ হায়না হন্দক চহীদগী থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না কংলৈ ইন্দিজিনস মার্সিএল আর্টস এন্দ কলচরেল সোসাইটি (কিমাক্স)না শীন্দুনা পাঙথোকপা ৪শুবা ইন্টর স্কুল থাঙ-তা গ্রুপ কম্পিটিসন ২০১৯গী হৌদোকপগী থৌরমদা ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা লাউথোকখ্রে।

ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা মখা তানা হায়খিবদা হৌজিক মণিপুর অসি নুমিৎ ৬নিগী মতুংদা করি থোক্লক্কদগে হায়বা তম্বা ঙমদ্রে। চহী লিশীং কয়াগী পুৰারী লৈরিবা মণিপুর অসি হৌজিক য়াম্না লুবা তাঙ্কক অমদা লৈরে। হৌজিক লৈরিবা মণিপুরগী চয়েৎনবা ইস্যু কয়া অসি হৌরক্লিবা অঙাংশিংগী মতমদা থোক্তনবগীদমক অঙম্বা পান্বে শীজিন্নদুনা লাম্হেংনগনি।

থাঙ-তাগী মহৈ অসি নিংথিনা হৈবা মীওই অদু মশা মউ ফবা, তিঙ্ঙং কায়জংদবা, মরৈবাক নীংবা মীওই অমা শোয়দনা ওইগদবনি। হৌজিক মণিপুর অসি স্পোর্টস অমসুং আর্ট এন্দ কলচরনা মশক তাক্লিবনি। অদুবু হায়রিবা স্পোর্টস, কলচর অসিদা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী শেল ইথা থাদদবগুম তৌই। মসিদা হেন্না মীৎয়েং চংহন্নীংই। স্কুলশিংদা কিমাক্সনা চাউরবা থৌদাং অমা লৌদুনা থাঙ-তাবু সবজেক্ট ওইনা হাপ্তুনা তমহল্লি। অদুবু থাঙ-তাগী ওজা মতিক চানা লৈতেহায়বদা য়াম্না নুংঙাইতেহায়খি।

মরিশুবা ইন্টর স্কুল থাঙ-তা গ্রুপ কম্পিটিসন অসিদা পূন্না স্কুল ২১দগী মহৈরোয় ৫২৫না শরুক য়ারি। মহৈরোয়শিংনা শাজেল কাঙলোন হায়রিবা মশান্না অসিদা অথোই অহেন তান্নগনি। কম্পিটিসন অসি হৌদোকপগী থৌরমদা কিমাক্সকী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম অজিৎকুমারনা প্রসিদেন্ট, স্পেসল গেষ্ট ওফ ওনরদা প্রোফেসর পাওনম গুনিন্দ্রো, গেষ্ট ওফ ওনরদা জি পি ৰিমেন্স কোলেজকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. ৰাইখোম রোমেস অমসুং প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা দিরেক্টরেট ওফ আয়ুশকী ওফিস কোওর্দিনেটর এস তোন্দাংনা শরুক য়াখি।

# মিষ্টর ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯দা মণিপুরদগী শান্নরোয় অনী শরুক য়ারুগনি : নোরেন




ইম্ফাল, ওক্টোবর২৪ (ঐচএনএস): দুবাইদা চহী অসিগী নবেম্বর ৫দগী ৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা মিষ্টর ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ দা মণিপুরদগী শান্নরোয় অনী শরুক য়ারুগনি হায়না ইন্দিয়ন বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস ফেদরেসন মণিপুর য়ুনিট (আই বি বি এফ এম য়ু) গী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা পি দব্লিয়ু দি মণিপুরগী চীফ এঞ্জিনিয়র নোংমাইথেম নোরেননা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

পি দব্লিয়ু দিগী চীফ এঞ্জিনিয়র নোংমাইথেম নোরেনগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়খি, ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মণিপুরদগী শান্নরো অনী মথংশিৎনা, কেজি ৯৫ বিলোদা তখেল্লম্বম দুশান্তা অমদি কেজি ৮৫ বিলোদা অকোইজম রতনকুমার শরুক য়াগনি। টিম ওফিসল ওইনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগীদমক মহাকসু শরুক য়াগনি। ইন্দিয়া টিমগী ওইনা শান্নরোয় ১১ শরুক য়াগনি। ইন্দিয়াগী টিম অসি নবেম্বর ৬ তা দিল্লি অমদি মুম্বাইদগী দুবাইগীদমক খোঙশানগনি। টিম অসি নবেম্বর ১০ দা ইন্দিয়াদা হল্লক্কনি। ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিংগী মফমদা য়াইফ-পাউজেল পীরি।

চহী অসিগী নবেম্বর ১৫ দগী ১৮ ফাওবা ঔরঙ্গবাদতা দাইমন্দ কপ পাঙথোক্কদৌরি। মসিদসু মণিপুরগী শান্নরোয়শিং শরুক য়াগনি। দাইমন্দ কপ অসিদা মালেমগী মীয়াম্না শকখঙনরবা কালিফোনিয়াগী গভর্ণর ওইরম্বা আর্নোল্ডসু ওফিসল ওইনা লাক্কদৌরি। কুমজা ২০২০ দা টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক্তা বোদি বিল্ডিংগী মশান্না য়াওরগনি হায়বগী নুংঙাইবা পাউসু লাক্লি। মিটর ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপতা মণিপুরদগী শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিং মায়পাক্লবা থৌনিমিন্নসি। অসিগুম্বা মালেমগী ওইনা লেমজ নিংঙাই ওইরবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা লমদমসিগী শান্নরোয়শিংসু শরুক য়াগদৌরি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা তখেল্লম্বম দুশান্তা অমদি অকোইজম রতনকুমার হায়রিবা শান্নরোয়শিং অসি হোৎনবা য়াম্না কনবা ঙাক্তনি। মখোয় মায় পাকপা ওইরসনু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা ইন্দিয়ন বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস ফেদরেসন মণিপুর য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট এন শিবদাস অমদি ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি। দুবাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা মিষ্টর ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ দা শরুক য়াগদৌরিবা তখেল্লম্বম দুশান্তা অমদি অকোইজম রতনকুমারসু পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা শরুক য়াখি।

১৬শুবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ টুর্নামেন্ট ২০১৯

# বিরমঙ্গল কোলেজনা গোল্ড ২ ফংদুনা মাঙজিল থারি

ইম্ফাল, ওক্টোবর২৪ (ঐচএনএস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল কোলেজনা শীন্দুনা নুমিৎ নীনি চূপ্পা চথুগদবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ আর্চরি টুর্নামেন্ট (মেন্স এন্দ ৱিমেন্স) ২০১৯ কোলেজ অসিগী প্লেগ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ওফ স্পোর্টস ডা. সী ঐচ প্রদীপনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌবাল কোলেজকী প্রিন্সিপাল ওক্রম চাউবনা থৌরমগী মপু অদুগা থৌবাল কোলেজগী কেমিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টকী হেদ এস লোখোননা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমদি তোঙান তোঙানবা কোলেজ ১২গী শান্নরোয় ২৭না শরুক য়াদুনা ইন্দিয়ন রাউন্দদা নুপামচা ১০ অমদি নুপীমচা ৬, রিকর্ভ রাউন্দদা নুপামচা ২ অদুগা নুপীমচা ৪ অমদি কম্পাউন্দ রাউন্দদা নুপামচা ২ অমসুং নুপীমচা ৩না শরুক য়ারি।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা ইন্দিয়ন রাউন্দ গর্লসকীদা দব্লিয়ু মালেশ্বরিনা পোইন্ট ৬৩৯ ফংদুনা গোল্ড, কে ঐচ মালেমঙানবীনা পোইন্ট ৫৬০ ফংদুনা সিলভর, অবেম্বা ইরোমনা পোইন্ট ৫৪৬ ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

নুপামচাগী ইন্দিয়ন রাউন্দগীদা এল মিলন মৈতৈনা পোইন্ট ৬৪৭ ফংদুনা গোল্ড, টি ঐচ হেল্লরনা পোইন্ট ৬৪০ ফংদুনা সিলভর, মাইবম জামোনা পোইন্ট ৬১১ ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। নুপীগী রিকর্ভকীদা কে এস ঐচ মালেমম্লানা পোইন্ট ৬০২ ফংদুনা গোল্ড, কেপ্রামেশ্বরিনা পোইন্ট ৫৩৭ ফংদুনা সিলভর, এল ওমিলা গ্রেসনা পোইন্ট ৫১৭ ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। নুপামচাগী রিকর্ভকীদা এল সমানন্দ মৈতৈনা পোইন্ট ৫৬০ ফংদুনা গোল্ড, ঐচ মোমোনা পোইন্ট ৪১০ ফংদুনা সিলভর ফংখি।

কম্পাউন্দ গর্লসকীদা মুতুম রুপননা পোইন্ট ৬৭৪ ফংদুনা গোল্ড, সুচিত্রা তৌরাংবম্না পোইন্ট ৬৫৩ ফংদুনা সিলভর, এল দুলিনানা পোইন্ট ৬৩৮ ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। কম্পাউন্দ বোইজকীদা এম য়ুগী মুতুম মঙ্গলদীপনা পোইন্ট ৬২৫ ফংদুনা গোল্ড, খাইদেম নেলসন্না পোইন্ট ৬০৭ ফংদুনা সিলভর ফংখি।

৩৫শুবা এন হজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯

# অসাম রাইফলস পোলো টিম, মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর২৪ (ঐচএনএস): মণিপুর হোর্সরাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসন্না শীন্দুনা মপাল কাংজৈবুংদা চথরিবা ৩৫শুবা এন হজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা অসাম রাইফলস পোলো টিম, মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৩৪না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৩৫শুবা এন হজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসিগী শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা হন্দ্রেদ এবল পোলো ক্লব অমসুং অসাম রাইফলস পোলো টিম লম্বা তৌনখি। অহানবা চক্রদা অসাম রাইফলস পোলো টিমনা পাঞ্জল ৫ চনখি। হন্দ্রেদ এবল পোলো ক্লবনা পাঞ্জল অমখক চনখিবনা অহানবা চক্র অদুদা অসাম রাইফলস পোলো টিমনা পাঞ্জল ৪ হেন্দুনা চৎখি।

অনীশুবা চক্রদা অসাম রাইফলস পোলো টিমনা পাঞ্জল ৪ অদুগা হন্দ্রেদ এবল পোলো ক্লবনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি। অহুমশুবা চক্রদা হন্দ্রেদ এবল পোলো ক্লব অমসুং অসাম রাইফলস পোলো টিম পাঞ্জল ৩/৩ চন্নখি। মেচকী অরোইবা চক্রদা অসাম রাইফলস পোলো টিমনা পাঞ্জল ৫ অমগা হাপচিন্দুনা পূন্না পাঞ্জল ১৭ শুহনখি। হন্দ্রেদ এবল পোলো ক্লবনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা পূন্না পাঞ্জল ৫ শুখি। মেচ অসিদা অসাম রাইফলস পোলো টিমনা হন্দ্রেদ এবল পোলো টিমবু পাঞ্জল ১৭-৫দা মায়থীবা পীখি।



অসাম রাইফলস পোলো টিমগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু কে ঐচ সুসিলা, কে ঐচ চন্দ্রকুমার, রিয়াকট অলি, ৰাজি, টি ঐচ প্রেমানন্দনা চনখি। অদুগা হন্দ্রেদ এবল পোলো ক্লবকী পাঞ্জল অদুনা আর কে রোহিট অমসুং কে রোসননা চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা ইবুধৌ মার্জিং পোলো ক্লব অমসুং মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এ) লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী চক্র খুদিংমক্তা ইবুধৌ মার্জিং পোলো ক্লবকী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এ) না মেচ অসিদা পাঞ্জল ১৮ চন্দুনা চাউনা মায় পাকখি। মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এ) গী পাঞ্জলশিং অদু টি ঐচ রোসন, ৰাই বিনোয়, এস বিমোল, এম ভিভেকানন্দ, এম সুরজিৎ, এম দেবনাথনা চনখি।

হয়েং অহানবা গ্রাউন্দদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) অমসুং কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুল (বি), অনীশুবা গ্রাউন্দদা শমুরৌ পোলো ক্লব (বি) অমসুং সী আর পি এফ পোলো টিম লম্বা তৌনরগনি।

## ফেন্সরশিংগী মীং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর২৪ (ঐচএনএস): এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ন য়ুনিভর্সিটিগী মীৎয়েং মখাদা কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারী ৮দগী ১১ ফালবা য়ুনিভর্সিটি ওফ জম্মু অমসুং পঞ্জাব য়ুনিভর্সিটি ফেন্সিং মেন এন্দ ৱিমেন চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুনবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ফেন্সিং টিমদা য়াওগদবশিংগী মীং লাউথোকখ্রে।

মমিং লাউথোকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি নুপাগী ইপি ইভেন্টতা কে নেপোলিয়ন, টি ঐচ বোম্মাই, এম বিজেন, এন রোবার্টনি। ফোসল ইভেন্টতা খাইঙম খোমদ্রাম, এল নরেশ, হেমোচন্দ্র কেনি। সেবর ইভেন্টতা কে ঐচ মাইকেল, এন রোমেস, এল বিদ্যানন্দ মৈতৈ অমদি এস মনিখোম্বা মৈতৈনি।

নুপীগী ইপি ইভেন্টতা লিস্থোই হাওবম, এ মালেমঙানবী চনু, লৈম্না চনম, কোন্থৌজম রোজ চনুনি। ফোইল ইভেন্টতা কে ঐচ প্রিয়াঙ্কা অমদি এন রোসনি চনুনি।

## মীটিং পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর২৪ (ঐচএনএস): মণিপুর ভেটেরান টেবল টেনিস এসোসিএসনগী এন্যুএল জেনরেল বোদি মীটিং লাক্লিবা নবেম্বর ১০গী অয়ূক পুং ৯ তাবা মতমদা দি এম কোলেজ কেম্পসকী ইন্দোর হোলদা পাঙথোক্লগনি।

এফিলিএটেদ দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএসন অমসুং মেম্বরশিংনা এন্যুএল এফিলিএসন ফী অমসুং মেম্বরশিপ ফী নবেম্বর ৫ ফাওবগী মাঙওইননা থিদোক্লবা খঙহল্লি। হেন্না অকূপ্পা মরোলগীদমক ফোন নম্বর ৮৭৮৭৩১৫৩৬৮০দগী খঙবীবা য়াগনি হায়রি।

## ত্রায়ল সেলেক্সন

ইম্ফাল, ওক্টোবর২৪ (ঐচএনএস): ৪শুবা এলিট ৱিমেন নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ দিসেম্বর ১দগী ৮ ফাওবা কেরলাগী কুনুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা শরুক য়াগদবশিংগী ত্রায়ল সেলেক্সন থা অসিগী ২৭তা খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা পাঙথোক্লগনি। হেন্না অকূপ্পা মরোলগীদমক এম এ বি এগী জেনরেল সেক্রেটরিগা উনবীয়ু হায়রি।



















Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com